# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-10-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-লমফেলপাৎ রিজ্‌বিনেসন প্রোজেক্টনা পাৎ অসিবু হান্নগী ফিভম হনজিলহনবা ঙমলে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা লমফেলপাৎকী হান্নগী অমসুং হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী শক্তমশিং উৎপগা লোয়ননা প্রোজেক্ট অসিবু মপুং ফাহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংদা থাগৎপা ফোংদোক্লি।

রাজ্য সরকারনা লোক্তাক পাৎ শেংনবা পায়খৎলিবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা অনৌবা এসকাবেটর শিজিন্নদুনা পাৎ অসি শেংদোকপগী থবক চথ্খরি। মসিনা পাৎ অসিদগী ফুমদি শেংদোকপদা হেন্না কান্নবা পীরগনি।

পি.ঐচ.ই. মন্ত্রি-এল. সুসিন্দ্রোনা থৌরাং অসি হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্খরি।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী এস.টি.এন.বি.এ. গেট মনাক্কী ইরোং চিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্খবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, নোংমৈ মরু খরা, স্মোগ গ্রেনেদ অমনচিংবা পোৎলমশিং য়াওরি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং অনিদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা মাল পুবা গাড়ি পুন্না ৪৮৪ ইম্ফাল তমা চংল্লকখ্রে।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী মনুং চন্না লৈবা হিল ঘাট গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধানগী ফার্ম হাউস শকখঙদবশিংনা মৈ থারম্লে হায়রি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা হায়-থৌদোক অদু ঙরাং অহিং নোংয়াই মতুংদা থোকখিবনি। ফার্ম হাউস অসিগী শরুক খরা মৈনা চাক্তুনা অমাং অতা থোকখ্রে।

**নিউজ (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী নুংতিগী শন্দোক্লিবা এফ.এম. হেদলাইন্স পাউগী মতমদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

হান্না অয়ুক পুং ১০ মিনিত ৩৫ দা শন্দোক্লবা হেন্দলাইন্স অদু অয়ুক পুং ১০ মখায়দা, নুংথিল পুং ২ দা শন্দোক্লস্বা হেদলাইন্স অদনা নুংথিল পুং ১ মিনিত ১০ দা অমসুং নুংথিল পুং ২ মিনিট ৫৮ দা শন্দোক্লস্বা অদুনা পুং ২ মখায়দা অমসুং নুংথিল পুং ৩ মখায়দা শন্দোক্লস্বা অদুনা পুং ৩ মিনিত ২৮ দা ওইনা শন্দোক্লগনি। অদুমওইনমক, অয়ুক পুং ৮ মিনিত ৩৫ অমসুং অয়ুক পুং ৯ মিনিত ২৮ দা শন্দোকপা হেদলাইন্সকী মতমদি অহোংবা লৈরোই। অনৌবা মতম অসি হয়েংদগী চৎনবা হৌগনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বরানাসিদা লুপা কোতি লিশিং ৬,৬০০ হেনবগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি, খরগীনা যাত্রা হুনগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা মফম অদুদা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংগনি। প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি ৩৮০ লাখ ১৩ চংনা পায়খৎপা প্রোজেক্ট ১৪ শঙ্গাগনি। মসিগী মনুংদা আর.জে. শঙ্কর আই হোস্পিতাল অমসুং ষ্টেদিয়ম অমা য়াওরি। প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ২,৮৭০ চংনা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী যাত্রাসু হুনগনি।

হকশেল, শিক্ষা, শান্ন-খোৎনবা, ধর্ম্ম, টুরিজম য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবা মফমশিং মীয়ামদা কৎথোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা বরানাসি ইয়ারপোর্ট

পাকথোক চাউথোকবা অমসুং অনৌবা টরমিনেল বিল্ডিং শানবা যাত্রা হুনগনি। প্রধান মন্ত্রিনা সিগারা স্পোর্টস ষ্টেদিয়মদা মীওই লিশিং ২০ লোমদা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা সরনাথতা বৌধ ধর্ম্মগা মরী লৈনবা টুরিজমগী ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক খরসু শঙ্গাগনি।

**ধমেন্দ্র ঃ** শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধান, নুমিৎ তরেৎনিগী সিঙ্গাপুর অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

খোঙচৎ অসিদা মন্ত্রিনা শিক্ষাগী লমদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া লৈবাক অনিগা খন্নরগনি। অহানবগী খোঙচৎ সিঙ্গাপুরদা চৎকনি। মফম অদুদা নুমিৎ নিনি লৈগনি। শ্রী প্রধাননা মফম অদুদা ভারত মচাশিংগা উন্নগনি। মথংগী নুমিৎতা সিঙ্গাপুরগী প্রধান মন্ত্রি-লোরেন্স ৱোংনচিংবা মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা উন্নগনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী খোঙচৎতসু শ্রী প্রধাননা মফম অদুগী শিক্ষা মন্ত্রিগা থা অসিগী ২৩ দা উন্নগনি। ওষ্ট্রেলিয়ান ইন্টরনেসনেল এদুকেসন মীফমদা শ্রী ধমেন্দ্র প্রধান শরুক য়াগনি।

**ঝরখন্দ ঃ** ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী বি.জে.পিগী মীরেপ ৬৬ গী মিং লাউথোকখ্রে।

থা অসিগী ১৫ দা বি.জে.পিগী ইলেক্সন কমিতিগী মীফম পাঙথোক্তুনা রাজ্য অসিগী মীরেপশিংগী মিং খন্নখিবনি। লিষ্ট অসিদা ধনৱার বিধান সভা কেন্দ্রদগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-শ্রী বাবুল মরান্দেনচিংবা য়াওরি।

**অমরোমদা,** ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলদা ইন্দিয়া ব্লোকা সিট য়েন্নবগী মতাংদা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। মীখল অসিদা ঝরখন্দ মুপতি মোরচা অমসুং কংগ্রেসনা সিট ৭০ দা মীখল থেংনগনি।

রাঞ্চিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ঝরখন্দ মুপতি মোরচাগী ইগজিক্যুটিব

প্রসিদেন্ট-হেমন্ত সোরেননা হায়-সিট ১১ না আর.জে.দি. অমসুং সি.পি.আই (এম.এল) দা পীরগনি।

শ্রী সোরেননা হায়-ঝরখন্দ মুপতি মোরচা অমসুং কংগ্রেসকী মরক্তা সিট য়েন্নবগী ৱারেপ অথুবা মতমদা লৌরগনি। মসিগী মথক্তা আর.জে.দি. অমসুং সি.পি.আই (এম.এল) গী সিট য়েন্নবগী ৱাফমসু অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি। মহাকা হায়-মহাক্কী দলগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি।

মরক অসিদা, ইলেক্সন কম্মিসনননা রাজ্য অদুগী এক্তিং দি.জি.পি.-অনুরাগ গুপ্তা খুদক্তগী মহাক্কী ফমদগী লৌথোকবা ঝরখন্দ সরকারদা পাউতাক পীখ্রে। কম্মিসনননা হায়-দি.জি.পিগী পোষ্ট অসি খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইবা ওফিসার অমদা শিন্নগদবনি। ঝরখন্দ বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অনি থোকা নবেম্বর ১৩ অমসুং ২০ দা ভোট থাদনগনি। ভোট মশিংনা নবেম্বর ২৩ দা থিগনি।

**ই-গভরনান্স ঃ** নেসনেল ই-গভরনান্স দিভিজনননা ‘অখণ্ড অহৈশিংদা হংলসি’ হায়বা অহানবা ইপিসোদ ঙরাংদগী হৌখ্রে। থৌরাং অসিনা দিজিটেল ইন্দিয়া থৌরাংগী মরমদা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংনা সরকারগী কর্ম্মচারিশিং নৎত্রগা সবজেক্ট এক্সপার্টশিংদা ৱাহং হংদুনা মখোয়না ভাব তাদবশিং খঙনবগী খুদোংচাবা পীরি।

কেন্দ্রগী ইলেক্ত্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রালয়না হায়-য়ামা তোপ তোপ্পা লাইফ প্রোগ্রাম অসি দিজিটেল ইন্দিয়াগী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদা শন্দোক্লি। ঙরাং শন্দোকখিবা অহানবা ইপিসোদতা দি.জি. লোক্করদা অহেনবা মীৎয়েং থমখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুর পুলিসকী ১৩৩ শুবা রেজিং ডে থৌরম পাঙথোকখিবা, জিরিবামগী বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেসনদা লান্দারকখিবা অমসুং য়ুম-কৈ কয়া অমাং অতা থোকখিবা লোয়ননা পুলিসতগী লাকখিবা খুৎলায়শিং ফাগৎনবা অকনবা থবক লৌখৎলি হায়বা দি.জি.পি. রাজিব সিংহনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি ফোংবা পাউ-চেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

মনিপুর পুলিসকী ১৩৩ শুবা রেজিং ডে পাঙথোকখ্রে। মনিপুরগী ইরাং ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিংনা থোকহনবনি হায়বা মিনিস্তর বিশ্বজিৎকী ৱাফমনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সি.এম. এন. বিরেন শিন্দোক্কদবনি হায়না প্রাইম মিনিস্তরদা পীশিনবা চেরোলদা মিনিস্তর বিশ্বজিৎকী সহি য়াওরিবদু মশা খঙলমদ্রে হায়বা পাউনা মনিপুর ন্যুজগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনা লৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি, মোরনিং বেল, হুইয়েন লানপাউ পাউচেশিংদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মারশিংনা থারকপা মতম হেক লোয়খিবগা পুলিসতা কাপশিল্লকখ্রে, মীতৈগী য়ুম অনি মৈ থারম্লে, দুকান অমা বোমা থুগায়খ্রে হায়বা পাউনা সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউ চে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। বোরেবেক্রা পুলিস ষ্টেসনদা লান্দরকখ্রে, য়ুম অহুম অমাং অতা থোকখ্রে। জিরিবামগী কালিনাগরদা স্কুল মৈ থাবগী থৌদোক মীতৈ ফুরুপকা মরী লৈনদে হায়না জিরি অপুনবা লুপনা ফোংদোরকপা ৱাফম পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

খুৎলায় পায়বগী থৌওং হন্থরবদি মহৌশাগী পুন্সি হল্লক্কনি, পুলিসতগী লুট তৌখিবা খুৎলায় লিশিং ২,৮০০ ফংলে, এক্সত্রোসনদা চেন্নবা মীওই ১২৫

ফারে হায়না দি.জি.পি. রাজিব সিংহনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ম্যান্মার অমসুং মনিপুরগী ইরাংগী ফল-নোর্থ ইষ্টতা দ্রগকী ৱাথোক হেনগৎলক্লি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর পুলিসকী ১৩৩ শুবা রেজিং ডে থৌরম পাঙথোকখ্রে, চীফ মিনিস্তরনা ষ্টেট পুলিসপু থাগৎপা ফোংদোকখিবগী পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্দিয়ানা মনিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিতি কায়হনবা য়ারোই হায়বা মনিপুর ইন্টরনেসনেল য়ুথ সেন্টরগী ৱাফমনা মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এম.এল.এ. মঙাগী দিসক্কালিফিকেসন কেস ওক্তোবর ২৫ দা মখা তাবা ৱায়েল চথুরগনি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর পুলিসকী ১৩৩ শুবা রেজিং ডে থৌরমদা মিনিস্তর বিশ্বজিৎনা মনিপুর পুলিসকী থৌদাংবু শিংথাখিবা অমসুং রাজ্য অসিদা দ্রগ লল্লোনবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎলকপদগী ইরাং অসি হেন্না চাউথোকহনবনি হায়বা মিনিস্তরগী ৱাফমনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।